# ৱারীমচা

## ৱা মপান শারে

*সলাম বিক্রমজিৎ মৈতৈ*

কা অমখক্কী ইমুং পোদোন মুশি–মুশিবা অমখক থাল্লি। ৱাচেৎকী ফমুং মথক্তা পীক্লিবা মচাদু শুম্মী। রোইনি পোদোন মনাক্তা ফম্মী। নুংথিল পোবোক্তা ছম য়ান্দুনা মচাদু পুদুনা পাম য়াল্লুবগী ৱারবনি। করি থোংসিগে খল্লি। ফক্লাং অকোয়বদা য়ূম্বী মখোঙ মনাক্তা পান মরূ অহুমখক লৈবা উই। নহানমখৈ মনাও থোংখিবগী লৈহৌবা মরূনি। রোইনি চেঙফু মখুম হাংই, মখূৎতুনা থীংজিন্দুনা চেঙফু মনুংদা অমুকসু ময়েংই। জীব কাঙলূপ তোঙানবা, মফম খেন্নবগী মতূং ইন্না চীঞ্জাক তাংই হায়বদুনি। উপাই লৈত্রদুনা তুমিন্না অমুক ফমই। পান মরূদু অমা লৌদুনা খেৎপা হৌই। তাঞ্জাদুদা মচাদু হৌদুনা কপ্লকই। পান খেৎপা তোক্লগা মচাদু পমখৎলি। কপ্পা থেম্নবা মপানদা থোক্লকই। লৈমন্দ্রদুনা পান মরূদুমক ফুত্তোক্লগা পীজগনি খল্লুবদা নুংশিমনখ্রদুনা মমাদু মপি তানা–তানা মচাগী মমায়দা পংচুপ্তা চুপ্পী।

অতিয়াদা কোয়রোক– কোয়বা থাদু চাউরপ তৌবা থৱান্মিচাক অমগা নক্লনা থোক্লি। মচাদু কপ্পা তোক্তে, রোইনি পারবা ফী মতেক অমা মখ্বাঙদা খ্বাঙচেৎ শেৎলম্বদু লৌথোক্তুনা পোয়। শুমাঙদা লেপ্তুনা রোইনি ইমুংগী মৈঙাললোমদা য়েংশিল্লি। মমীৎতা পান মরূ অমা খেৎপা হৌরম্বদুদৈ হেন্না উদে। মচাদু অমুক তুমথখ্রে। মচাদুদা মুন্না য়েংই। অৱাৎপনা থল্লবা মহাক মপূক্নীং নুংশিরদুনা মপি শীন্থরি, মচাদুগী মরাইবক্তা চুপ্পী। মওল–মওল খল্লকই। শুমাঙ মতোন্দা চাউরপ তৌবা মরা য়াওবা ঊরু অকংবা অমা লৈবদু উই। মদু মপুরোইবা চিংফোইনা হিংলিঙৈদা মকোক্তা থোঙ্গৎতুনা পুরকখিবনি। নুমিৎতো নীংশিংই।

“অসুক চাউবসিদি, ৱারম্লনি, মঙ্গ্রা অঙানবা লৈ?”

“পুরক্কনু, য়োন্নবা থম্মু, ঈশিং ওইনা পুরকউ।”

নুপীদু চঙখি। ৱারদুনা ফিনা হুমাই হুন্লিঙৈদা মাগী নুপীনা ঈশিং পুথোরকই, মঙ্গ্রা অঙানবসু পুথোরকই।

“সে ঈশিংসু থকউ, সিসু চাশল্লো, চোকথনসু উরে।”

“রোইনি নঙনা ঐগীদমক ৱাখিনিদনা রাজবসিদি...।”

“ঐগীদি, হন্না য়েংবদা নঙ নত্তনা অতোপ্পা কনা অমুক লৈরিগে, ঐদি নঙ হল্লক্তবদা পূক্নীংসে য়াম ৱায়, মীৎকুপ অমফাও পোত্থাফম খঙদে...।”

খঙহৌদনা লম্বীরোমদগী লোইচিং কৌবা খুলগী নুপা অমনা কৌরকই।

“তা–চিংফোই, কৈদৌরম্লিনো?”

মখোয়নীগী শান্নরম্বা ৱারীদু থুনা হঞ্জিনখি। অদুগা খোঞ্জেলগী মায়কৈরোমদা মায় লৈথোক্লরকই।

নুপাদুনা খুমই– “এ! লোইচিং, কদায় চৎলুবনো? চঙলকখো।”

লোইচিংনা লেংবান্দা থাংজৌ অমা হাইগৎতুনা, মকোক্তা কোকয়েৎ অমা য়েৎতুনা নোকফেৎ তৌনা চঙলকই।

“লোইচিং, পামদা চৎপ্রা?”

“হোয় ইতৈমা, শীং খরসু য়াল্লম্লে কোন্না লৌরগেদনা ফৌদোঅম্মে।”

“ৱারম্মনি, মঙ্গ্রা চাসি।”

লোইচিং কোকয়েৎ লৌথোকই, স্বর শাংনা হোল্লি।

রোইনিনা মঙ্গ্রা পী। চিংফোইনা ৱা মখা তারকই।

“নঙ লাকপা য়াম ফরে লোইচিং। হোরেন নুংথিল পূং ৪ দা ইপা খুল্লাকপগী য়ূমদা ৱা অমা তান্নগদবা লৈ, লাক্তবা য়াদেকো।”

“তাদা করি লৈরে?”

“খুলসে মহৈ লোয়শঙ অমফাও লৈত্রবদি হৌরক্লিবা অঙাংশিংসে লোয়না মাঙবা তারেদনা, লৈকাইগী চাউখৎ লুপ্না খন্নরবা মতূংদা মরী লৈনবা মন্ত্রিদা চে থারগা প্রাইমারি স্কুল অমা শাননবা অয়াবা পীরে, অদুনা স্কুল শাফম চপ–চাবা অমা, ইপাগা ঐখোয় পূন্না খন্নবগীদমক ময়াম পুনদৌরিবনি।”

“এ! তাদা য়াম ফৈ, নুংঙাইবা পাউনিনে অদুদি। ঐ শোয়দনা লাক্কনি তাদা।”

“লোইচিং, হন্দক্তি নখোয় নয়াম্বসে মদুগী ইম্ফালদা চৎপদা য়ূমগী থবক্তা শুদ্রবনিকো।”

“হায়সু হায়বনি ইতৈমা, তা–চিংফোইসে খুন্সিগীদি অতাঙবনি। ওক্তবা মখোয় অহুম–মরিসু তাদনা ফার–ফারগা ৱারী শাবদৈ ভাব তাখ্রদনা প্রাইমারি হেল্থ সেন্টর অমসু লৈরে। অসিগুম্বা চাউখৎ–লম্বীদা লাক্লিবসে তা চিংফোইনা চাউখৎলূপকী লুচিংবা ওইদৈনে ইতৈমা।”

“লোইচিং, ইয়াম্বদি খুলসিগী চাউখৎনবা থবক য়াম্না তৌনিংই, অদুবু হৌজিক্তি নয়াম্বদি য়ূম–কৈসু পাল্লেদো...।”

“হেরা তাদা, অদুগীদি করিমত্তা ৱারুগনু। তাদগী মহুৎ শিন্নবা নচা–ননাও ঐখোয় ময়াম লৈরিসিদি। ’দুদি ঐ অমুক য়ৌখ্রগে, ইতৈমা চৎলে–চৎলে।”

নুপাদু চৎখি।

“রোইনি।”

“উম।”

“ঐনা অঙাং ওইরিঙৈদা অরাপ্পা মফমদা, য়াম ৱানা মহয় তম্লকখি, অদুসু মপূং ফানা তমহৌবসু ঙমদে...। ইপানা কনবীরম্বা, অৱাংগী ঐখোয়গী পামসে হোরেন মীয়াম তীনবদা, স্কুল শাফম মফম ওইনবা কখোকখ্রগে হায়না খল্লে। নঙনদি করি খল্লিবা হা?”

“অপাকপা চীংমাই থিরদি অসিনদি ওই, নঙনা মীয়ামগী ফগনি খনবদো ঐসু অদুম য়াই।”

চর্চতগী কাংশি মখোল তাই। রোইনিনা নীংশিংলম্বা ৱাখলদু খংমাঙ মাঙখি।

শুমাঙদুদগী মখারোমদা হৌরিবা ৱা চবুন্দুদা য়েংশিল্লুই। ৱা মপান থাবলদা উই। মাগী নুপানা ৱা অয়ানবা চীংথোক্লি।

“ঙাইখো ঐগা চিংথোকসে।”

মচিন্দা খঙহৌদনা হায়রুবদু চিংফোই লৈরমদ্রে।

মীৎ পাংনা–পাংনা মঙলাক্লরে। তুমিন্না লৈ, ইচিক চিকখ্রে। তীন–কাংসু খোংদ্রে।

“উসোইদো য়াল্লুরনুনে। ৱা চোং–ঙম্মরোই।”

“করিদি য়োন্নিংঙাই লৈ। য়ান্দা য়ারিব্রো।”

“নুমিৎ ফত্তবদা য়াল্লদি ৱা মপান শারক্কনি অদুদৈ ৱাপলদু কংশিল্লক্কনি। থুমোক্তি কদায়দৈ শাদৌরি অঙাওবী। ৱা চবুনসিনা ঐখোয়নি হিংহল্লিবনি খঙজৌ। ৱা মখোঙদো লৈবাক খরা হাপ্পদৈদি খরদি চোংবা হেনগৎলকঅবনি।”

“ঐ হয়েংঙৈ য়াঞ্জররোই।”

“অদুই শরুক, শারিবা থুমোকসিদুম য়েংউ, নঙসু হৈহৌনবা।”

“ঐখোয়সিবু সুম ৱারনিকো?”

“হায়হৈদেহে। নুংঙাইগে তানখৎলকইসিদা। পূক্নীং–ৱাখল শোন্থগনু, মদুনা পুন্সিগী পান্দম মায়থীহন্নবগী অচৌবা মরম অমনে, কাউনুকো...।

নঙবুসু নুংশি, পুন্সিগী অৱাবগা, নুংশিবগা মরু ওইহনবদি সমাজবু অঙৈংবনি হায়রসিরা? অদুগা মদু য়ারগনা শোত্থহৌরবা সমাজ হায়বদুদি ইন্নরক্লনি। নুংশিবসু মাঙলকপা য়াই।”

চিংফোইনা হিংলিঙৈদা মাঙ্গোলদা পৈয়া শী–শীদুনা থুমোক শানা–শানা ঙাংনখিবদো নীংশিংবদৈ পেন্দ্রদুনা মমীৎতগী মপি লেপ্তুনা শীন্থরি। মপি তৈথোক্তুনা অমুক য়েংথোরকপদা থংনবা চীংমায় অদুগী নাপী মথক্কী লীক্লাদু থাবলনা য়ৈবদা মণি–মুক্তা ময়াম তাবগুম উরি। অমুক অতোপ্পা মায়কৈদা হাইদোক্তুনা য়েংবদদি য়াম্না থাপ্পদা লাম্মৈ চাকপা উই। ঙাঙশঙ ঙাঙনা চাকপদু উবদা মহাক পূক্নীং ৱাবা হৌরক্লে। মচাদু পোকপা নুমিৎতু নীংশিংলকই।

অসুম্না, কোইরুং খুলদা রোইনিগী মপানা মশা ঙমদে হায়দুনা পাউ চেল্লকপদৈ পূন্না মতম খরা নুপী মপামদা লৈরিঙৈনি। কোইরুং, খুল অসিদদি খোঙনা চৎপদা খৌপুম তম্পাক্তগী নুমিৎ নীনিমুক চঙই। পোৎলুম পুবা গাড়ীনা চয়োল অমদা অনীরক চঙই।

নোংমদি, মতমদু খুঞ্জাশিং মীচিক–মীরাওখোল তাখিদ্রে। মচা সংসারদা খোঙদারমদায় মীৎকুপ্পি। থংনবা য়ূমগী নুপী অনীসু লৈরি। তাঞ্জাদুদা কোইরুং খুলগী য়ূম অয়াম্বা মৈ চাক্লরকই। মীয়াম পুন্সি হিংজনবা চেন্নবা হৌরকই। চিংফোই মপান থোকই। মীকপ–মীরাওখোল তারকই। চিংফোই ইমুংদা পরপ–পরপ চঙশিল্লকই।

“কৈদৌনবা য়াওরগে?”

“কৈসু তৌদে।”

চিংফোইনা কৈসু তৌদে হায়জরবসু চরাংনবগী মতৌদু উবদা রোইনি পাখৎপদৈ হৌগৎকে তৌই। শোল্লবা অনাবা মকুবোকসু তঙক–তঙক ফমই। চৈশু পায়খৎলি। নোংমৈ মখোলসু তারক্লে।

“ঐ কৈদৌদোয়নো? ঐ য়াম ৱারে...।”

মহাক মমীৎ–মনা ইথক–থকৎলে। তাইবঙ ফাউরক্কদৌরিবা মচাদুগী খনগদ্রা? মশাগী অৱাবা ফনবা হোৎনগদ্রা, শোল্লবা অনাবা মপাগী খনগদ্রা? মপুরোইববু নুংশিগদ্রা? লৈকাইগী মচে–মনেমশিংগী লাঞ্জেনবগী খনবীগদ্রা? পুন্নমক্কীদমক খল্লুরিবা ৱাখলদো ঈশ্বর মাগী খুদোলনি হায়না লৌরসিরা? অকনবা ময়াম্না মাগীদমক ৱাবীবা, হোৎনবীবা ময়ামসু করিনি হায়না অতোপ্পদা খল্লুনি। তশেংনা পূক্নীংগী ৱা অমগা–অমগা খঙনবদুনি।

মরোল লোন্দুনা মশা ৱাই শংদ্রবী রোইনি কপলকই। চৈসু পায়রবা অনাবা মকুবোকপু শেন্নগদ্রা, মশা ৱাই শংদ্রবী নুংশিজরবী মাগী নুপীবু শেন্নগদ্রা তৌফম খঙদ্রে। য়ূম পরেং মৈৱাইনরকপদৈ লৈরিবা য়ূমদুসু মৈ ৱায়রক্লে। রোইনি মশাগী অৱাবা কাঙলূপকী ইরাংগী অৱাবগা পূন্না মায়োক্লরি। য়ূমথংনবা মচে–মনেমশিংনা রোইনিবু পুথোকখিদুনা লেঙম–শাঙমদনা লাঞ্জেন্নবা য়াওখ্রে। মকুবোক্তু লেঙ্গোন্দুনা মায়কৈ খঙদনা লাঞ্জেন্নবা য়াওখি। রোইনিনা মপুরোইবা অমসুং মপা নুমিৎতুদগী উখিদ্রে।

রোইনিনা চাক্লিবা লাম্মৈদু মুন্না য়েংদুনা ৱাখলদুদগী পিগী হৌরকফম ওইরি। থাগী মঙালদা খজাই অনীদা মপি তরং–তরং শীন্থরি। পি মরীক্তু মচাগী চীন্দা তপ–তপ তাই। মবুক লাম্লবা মচাদু মমাগী পুক থনবা য়াররোইদবা য়াক্লবা পি থক্তুনা কপলকই। মচাদু করি পীজসিগে খনবদা মপূক্নীং হেন্না নুংশিরে। হীক্লা–হীক্লা কপ্তুনা মচাদু হুম–হুম থেল্লি। “হয়েংদি থাপ্লবা কৈথেলদা করি য়োল্লুনি। ঊশোইসু চোংদ্রে। ৱা মপান শারে। কংশিনখ্রনি ৱাপলসে...।” মথন্তা মচীন্দা শোঞ্জে। মতাংদু অতিয়া খঙমম মমই। নোংথক্তা য়েংখৎলি। লৈচিন–নোংফাইগী মপৈ মচা অমনা পাক্লবা থাদু খুমজিল্লম্মী। থাদু ফনা য়াম্না পৈথরম্লে। ইমুংদা পরপ–পরপ মপি তৈথোক্তুনা চঙখি। খেৎলম্বা পান মরূ লোয়না খেত্তুনা ফুৎলি। অহিংদুদা মচাদু পান অফুৎপা পীজদুনা তুম্মীন্নখ্রি।

নোং ঙানবগী উচেক্লা য়াকায়রক্লে। মপান্দা নুপী অমগা অঙাং স্কুল কারকপা অমগা ৱারী শান্নবা তায়।

“অবুং নঙবু স্কুল কারবো?”

“হোংয় নেনে। ঙসিদগী কাবা হৌরে।”

“নোয় স্কুলদুবু করি মমিং কৌগে?”

“চিংফোই প্রাইমারি স্কুল কৌই হায় বাবানা।”

“ও! চৎলো–চৎলো। চিংফোইনা লৈরিঙৈদা খুলসিগী ফনবা কন্না হোৎনজরম্বদুদা মাগী মিংদা থোনবা ওইরিনি। ও! নুংঙাইতেদা, হেক লৈজরম্লবদি ফগদবা...।”

অসুম্না ঙাং–ঙাংদুনা চৎখিবা, রোইনিনা ফমুংদগী তায়। মপিদি তাই, মখোলদি থোক্তে। অসুম্না রোইনি ৱারবসু মচাদুবু ঙাইনা পুন্সি লেনবা তারি।

---

# তাবুনুংদগী

*মমাঙঙৈ মণিপুরদা নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতমদা পেনা লোয়শঙ হায়না খঙনবা পেনা খোংবশিংগী লোয়শঙ অমা লৈরম্মী। মখোয়না নিংথৌনা তুম্বা হৌগৎপদা য়াকায়রোল শকপা, তুম্লমদায়দা নাউশুম ঈশৈ শকপা, শামু তোংলগা থোকপদা পেনা থৌগল তৌদবা য়ারমদে। মতম অদুদা নিংথৌ তুম্বা হৌদোকপা ওইনা পেনা শকপনা শক্লরম্বা য়াকৈবগী ঈশৈ ঙসিগী ওইনা তাবুনুংদগী লৌখৎচরি।*

ৱাংবা শোরারেন নমু পোংহনবা নশানৌ ইবেম্মা
কোতেশ্বরী মহারাণী সনাগী তাঙবল মথক্তা
মণিগী মতুম তাবগুম
খোম্লেন তুমখুন তানববু চেক্লাগী জাৎকী মখৈ
মাগী মাগী থৌগল তৌরক্লে
খোম্লেন মীকপ থোকপীরো
য়োইময়াই অঙান খিং শিং খোংদারে
তবীবনা নমগনি
থবাবনা কানগনি
লেঙখৎপীরো লাইনিংথৌ
কংলাগী চেগপ ফম্বা মতাং য়ৌরক্লে
ৱায়েল বিচার তৌবা মতম য়ৌরক্লে
লাইনিংথৌ।

---

# মণিপুরী পাম্বৈ –পাউরৌ, পাউতাক

* **কলিদা মী নোক্লবা চুরুংঙি।**
  – ফত্তবা তৌরবদি থুনা মশাদা হঞ্জিল্লি।
* **কলমনা থাঙদগী হেন্না থৌই।**
  – লৌশিংনা পাঙ্গল অমসুং খূৎলাইদগী হেন্না ময়াই কল্লি।
* **কলমনবু মচীন অনী লোঙবনি, মীদি লোঙবা হৌনদে।**
  – কলমদি ইনিংবতা ইবা য়াই, মীদি অমুক্তং হায়খিবা ৱা ঙাক্লা চৎহন্নীংঙি।
* **কল্লক খম্নন চাউফদে (কল্লক কঞ্জাউবা)**
  – মীগী অফবা উরগা মীহৌবা হৌনদে।
* **কল্লক পেল্লিদা লাইনা ৱারক্লেদো।**
  – ফত্তে তৌনু হায়বা থবক তৌরুরগা কান্নদ্রবদা কল্লক পেনবা ফোঙদোকপা।
* **কল্লকপা য়াম্মী কঞ্জাউবা য়াম্মী মাঙদা থারো লাও।**
  – তুংদা লৈহৌরগা ফত্তবা মীনা খুদোংচাবা লৌখিদনবা চেকশিনৱা হায়বা।
* **কলি ভীম্মা ওইরে।**
  – য়ূম পান্দ্রবা নুপা।
* **কলেজাদি অঙকপনি, মথুন্দা থাঙজৌনা য়াল্লফাও ঈ থোক্তবনি।**
  – মরলদি লৈতনা লৈবা শাদুনা ৱাজাও ঙাঙবা।
* **কন্নাক্তা হাক্কচরগা লুখমদা খোৎপা।**
  – তৌফম খঙদবদগী ওন্ন–তৈনবা থবক তৌবা।
* **কচ্চাৱালা ৱাইখু মখোঙ।**
  – উশিৎতবা, লায়না ঙমগদবা থবক।
  – মীঙোন্দা উশিৎতনা করেম্না ঙাঙবা।
* **কতন হৈবোং মখা হীপ্পা।**
  – থবক শুনিংদবা, মীনা লেম্না পীজবা ঙাইবা।
* **কূমথী কুমগাংদনা ফৌহাম শাৎপা।**
  – থংন–থংননা ফৎচিল্লক্তবা থৌওং।

***খোমজিনবাঃ ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন***

---

# চানক্য নীতি

– ইকায়খুম্নবা ফংদ্রবা, হিংনবগী পাম্বৈ ফংদ্রবা, বিদ্যা তম্ফম লৈত্রবা, মরূপ নৎত্রগা মরী মতাসু লৈতবা লৈবাক্তুদা লৈফদে।
– ইনাক খুনবা মী, বেদ হৈবা ব্রাহ্মণ, নিংথৌ, তুরেল, মঙাশুবদা মাইবা– হায়রিবা মঙা অসি লৈতবা মফমদুদা নোংমা ফাওবা লৈগনু।
– হিংনবগী উপায় লৈতবা, অকিবা লৈনদবা, ইকায়বা খঙনদবা, জ্ঞান লৈবা লৈতবা অদুগা দান তৌবগী ৱাখল লৈতবা মফমদা লৈফদে।
– মথৌ তৌরিঙৈদা মীনাইবু, খুদোংথীবা মতমদা মরী মতাবু, অৱাবা তাবদা মরূপ্পু অদুগা মরাই চাইথরকপদা নুপী (মতু) বু মশক খঙগদবনি।
– দরকার লৈবা মতমদা, খুদোংথীবদা, লাইবক থীবদা, চাক তাঙবদা, লানফমদা, নিংথৌগী মমাঙদা (ৱাথোকপদা), মোঙফমদা, তেংবাঙ পীররিবা (লেপ্পরিবা) মহাক অদু মরূপনি, অশেংবা মরী–মতানি।
– শোয়দ্রে খঙলববু হুন্দোক্লগা মথোঙ খঙদ্রিববু লৌরিবা মীদুনা অরৈববু মাঙগনি, হান্নবা মাঙখ্রববুসু ফংলরোই।
– শক ফজদ্রবসু ইকায়খুম্নরবা শাগৈগী কন্যাবু অশিংবশিংনা লৌগনি। শক হেল্লবসু হন্থবা জাতিগী নুপীদি লৌফদে। থাক মান্নবগী মরক্তা লুহোংবনা হেন্না ফবনি।

***হন্দোকপাঃ ককচিংতাবম ব্রজমনি শর্মা***

---

# মণিপুরী পাউখোং

২০. লৈনুং সনা–
২১. লৈনুং মোরোক–
২২. লৈনুং লীচৈ–
২৩. লৈনুং চাক–
২৪. লৈরায় হোরায়–
২৫. লৈরায় চেগপ–
২৬. লৈরায় মিংশেল–
২৭. লাইজনুংগী চেক্লা–

***পাউখোংশিং অসি মথংগী নোংমাইজিংগী লমায় অসিদা ফোঙদোকচগনি।***

– – – – – – – – – – – – – – – – – – – – – –

***মমাঙ নোংমাইজিংগী (১০–০২–২০১৯)***
***পাউখোং ফোঙবা***

১১. ঙাপ্রুম।
১২. শম্থী।
১৩. শঙ্গোম।
১৪. খোইহি।
১৫. সিনেমা।
১৬. চুজাক।
১৭. অৱাথবী।
১৮. লফু থরো।

---

# কান্ন–ৱানি খঙজীনবিয়ু

* **মৈঙালদা নুপীশিংনা কুচু নীংথিহনবিগে হায়রবদি?**

ট্যুব লাইটকুম্বগী মৈঙাল ( ফ্লোরেসেন্ট লাইট) দদি হকচাংগী, মরূ ওইবা মায়থোঙগী কুচু অসি মহৌশাগী লৈজরকপা অদুদগী ওন্থোকখিদুনা হঙ্গামপাল মচু চঙশিল্লকই। মদুগুম্বা অদুদগী ঙাকথোকপিগে হায়রবদি মায়দা থারিবা ‘ব্লসর’ (ঙাঙলৈনবা মেক–অপ পাউদর) অদু খরা থানা থাবিয়ু, অদুগা চিনবানগী লিপস্টিক অদুসু খরা য়াকশীনবা মচুগী শীজিন্নবিয়ু।

* **মোরোক্লা পূক শাউগৎলকপা ফহনবিগে হায়রবদি?**

মোরোক য়াম্না নৎত্রগা উমোরোক্কুম্বা অশাবা মোরোক চাশীনখিবদগী পূক শাউগৎলকপা তারবদি লাংথ্রৈ মনা অহুম–মরি থৎপীরগা হিংনা শায়দুনা চাশীনবিয়ু। মীৎকুপ খরগী মনুংদা পূক শাউগৎপা ঈংথখ্রগনি।

* **রং মনম নমহনবিরোই হায়রবদি?**

(ক) নৌনা রং তৈবা কা অমগী মনুংদা রংগী মনম নমহনবিদনবগীদমক্তা কাদুগী পাক–চাউবা মতূং ইন্না চম্প্রা অমা–অনী–অহুম মকোয়–মকোয় ককথৎপিরগা কানুংগী মচী–মচীদা থম্বীয়ু।
(খ) মী লৈত্রিবা কা ওইরগদি তিলহৌ মচেৎ মচেৎ থমজিনবিবসু য়াই।
(গ) কাগী চুথেক মরীদা ফ্রিজদগী লৌথোরকপা য়াম্না ঈংবা ঈশিং, পুখমগুম্বদা হাপ্তুনা থম্বীরগা পূং ২–২ মুক্তা শিন্দোকপীয়ু।

* **লফোই চামনখিবদগী পূক তাখৎলক্লবদি?**

লফোই চাশীনমনখিবদগী পূক তাখৎলকপগী মওং লাক্লবদি থুম খজীক্তং চাশীনবিয়ু।

*(খূৎনম ৮ লক হন্না পুথোক্তুনা কোপী লিশীং কয়া য়োনখ্রবা সনথোঙ পব্লিকেসনগীদমক মণিন্দ্র কোন্সমনা খোমজিন্দুনা ফোঙবা লাইরিক “কান্ন ৱানি খঙজিনবিয়ু” দগী লৌথোকচবা)*

---

# শৈরেং

## মহৌশা

*– ব্রজমোহন কোন্সম*

মহৌশা কৌবী লাইরেম্বী
ইমা! নঙসে ঈং–তপ্পী
তাইবঙ থম্মোয়বু শুক্ষৎপী
ফজবগী তুংনফমনি
হায়নৈ মালেম পূম্বনা।

কোনশিনবিদুনা নথানুংদা
অচৎ–চত্তা, থৱায় পানবা পান্দবা,
নুমিৎ থা থৱান
মালেম পূম্নমকপু
পীবিরি অমৃত ৱাৎতনা
থৱায় পানবা পূম্নমক্তা।

পেন্নাইদবা তাইবঙ মীওইবা
চাউখৎপগী লমজেলদা
মাঙহনবিরি নুংশি হৈতনা
শীংনবিরি মহৌশাগী শক্তমদা।

ঋতুগী খোঙচৎ মাঙশীল্লক্লে
তাইবঙগী মফম লৈশিল্লক্তরে
অশাবা মফম ওইরক্লে মালেমসে
ঈচাউনা তোয়না মাঙহনবিরে
ঈচাউগী ঈপাক্লা লোয়খিবগা
ঈকংনা অমুক লাক্লবিরে,
খঙজরসি লঙজরুবগী মহৈনি
চুমথোক্লসি ফত্তবা ৱাখল
অফবা অচুম্বা ৱাখল খন্দুনা
কল্লসি চীং পাৎ তুরেল
লৌবুক–লম্ফাং উমং–ৱামং
ইমামক্লি খন্না
অনৌবা উপাল থারসি
মালেমগী পুন্সি শাংনবা।

মহৌশা লাইরেম্বী ইমাগা
চাউখৎলকপগী ঈহৌগা
পূন্না হিংমিন্নবা য়াবা
মালেম অমা শেম্নবা
লম্বী অদু থিদোক্লসি,
অখঙ–অহৈ থোরক্তুনা
কলহৌরসি মালেমসে শোকচীন্দ্রিঙৈ
তুংগী মীরোল কয়াগীদমক।

## লম্বীরা করিনো খঙদ্রে

*– ইরোম মোবি*

লম্বী পাকপগী মথোং খঙদ্রে
গাড়ী ময়াম অমা খামজিল্লি
মায়কৈ লান্নসু কয়া থৌই।
ফুটপাথকী মথোংসু খঙদ্রে
দুকানও করিও য়ামখ্রে।
লম্বীদা লোক–তিন ক্কা মহিনা চায়রে
হঙ্গোইনীংঙাই মশক ওইরে।
য়ূমদগী দুকানদগী অমোৎ–অকায়না পৈরে
গাড়ীদগী তাহৌবা উফুলনা
খূৎতুম্মুক থারে
ৱাই শিৎপা শিৎতবা মথোং খঙদ্রে।
লম্বী থিংনীংলগা থিংই
খাজিন্নিংলগা খাজিল্লি
চায়খায়নীংলগা চায়খায়।
’সিবু মীয়াম্না চৎনবা লম্বীরা
করিনো খঙদ্রে।
অসুক য়াম্না মোৎপা হৈনরিবা
খন্থনদ্রিবা করিগীনো?

## চীংখাইনবা

*– এল্লাংবম ধনঞ্জয়*

চীংখাইনবা মরক অসিদা
কাঙলূপ নাইবা মরকসিদা
অচুম্বগী মশক থিবদা
মাইখুম হাপ্পা মরক্তা
কনানা হিংচাবগী মশক
কনানা শা–কৈগী মকোক
শকলোন তোঙানবা পুনরি।

শানা সাধুগী শক্লোন
লিন্না থেংগুগী মওং
অয়েংববু মমহল্লি।

হংগী মীগুম জোয় শারি
অশেংবা ৱাখল মাঙহল্লি।

পাক্লবা ঈপাক য়াইসিদা
খাঙলি লুপ্লি–লুপ্লি
অচুম্বগী অশেংবা মশক
ঈরাক্লরবা মীওইগুম
খোঞ্জেল থোকপা ঙমদনা।

## পুন্সি কৈথেলদা নঙবুনে

*– খাইদেম বোরসিংহ*

হিমালয় চীংদোল মতোন লোম্মী
সমুদ্র ঈপাক ইরাল–লম্মু
ঙমদ্রগা করিগী নঙদি চিন্তা
নীংবা কায়রে নদোম তেংথাগনি!
মণি–মুক্তা তাবরা য়েংলুচো
হি–য়াই লৈবরা য়েংঙু।
অতিয়াদা জগোয় খূখেক উৎলুচো
মরুভুমিদা মরুদ্যান য়েংলুচো
নুপা থৌদাং মতৌ তম্না
মোমোন নোকউ মায়থীরকপদা।
পীক্লবা কাখু অমদা নঙদি
য়াওন্দুনা লৈরে লাইরেল লাবগুম
মীৎকপ থোরকপদা করিনো ছত্যচার
কনানো ঐনা ঙম্বা থিরক্লনি।

## মতমগী লুচিংবা

*– ইবোতোম্বী লোংজম*

মাঙ থাউনে,
মাঙ থাউনে
মৈরা পায়বী নখোয়বো।
মৈরানা মুৎখ্রবদি
লম্বীদো উররোই।
মাঙ থাউনে,
মাঙ থাউনে
ইনে ইন্দোল নখোয়বো।
কিগনু কিগনু
তুংদা ঐখোয় লৈ,
লৈবাক মীয়াম লৈ।
পুলিসকী লাঠি,
টিয়ার গ্যাস,
রবর বুলেৎ
ঐদি কিজে।

## মতমগী ঈশৈ

*– রামেশ্বর শারুংবম*

চহী কয়াগী মমাঙদগী
ঈশৈ অমা শক্কে হোৎনৈ
খোঞ্জেল থোক্তে।
মঙ মচা অমা মঙজে
মঙফাওনদে।
অদুনা, ঐহাক তারদুনা লৈ ফমুংদা
কুমজা কুমশিং খঙদনা
মীৎকপসু থোক্তনা
অশিবগুম মঙফাওনদনা।